# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হৈত্রোয়

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মতম অমদা অদুমক মরাং কায়না হৌরম্বা অদুবু ঙসিদি তপ্না -তপ্না মাঙথরক্তুনা থোইদোক্লা উবা ফংলক্ত্রবা ঐখোয় মীওইবদা কান্নবা পীবা পাম্বীশিংগী মরক্তা হৈতোয় হায়রিবা পাম্বী অসি য়াম্না শীংথানিংঙাই ওই। হৈত্রোয় পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ন কোফি প্লম (Indian Coffee plum) নৎত্রগা ইন্দিয়ন সাৱর চেরি (Indian sour cherry) নৎত্রগা রুকাম (Rukam) নৎত্রগা রুনেলা প্লম (Runeala plum), হিন্দিদা তালিসপত্রি (Talispatri) নৎত্রগা পানী আমলা (Pani amla), বেঙ্গলিদা তিপা ফোল (Tipa fol), অসামিজদা পনিয়ল (Poniol), মিজোদা সাখি থৈ (Sakhi Thei), সংস্কৃততা স্রুববৃক্ষ (Sruvavrksha) নৎত্রগা ভিকানকাতা (Vikankatah), সিলহেতিদা লুকলূকী (Lukluki) নৎত্রগা কুলকুলি (Kulkuli), থাইদা তাখোব (Takhob), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফ্লেৰ্কোসিয়া জঙ্গোমাস (Flacourtia jangomass (Lour) Raeusch)* নৎত্রগা *ফ্লেৰ্কোসিয়া কেতাফ্রেক্তা (Flacourtia Cataphracta Roxb. ex. Willd)* নৎত্রগা *স্তিগমেরোতা জঙ্গোমাস (Stigmarota jangomas Lour.)* হায়না কৌই অমসুং ফ্লেৰ্কোসিয়েসী (Flacourtiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা পাম্বী খরদি নোংলৈশং পাম্বী (সাইলোসমা লোঙ্গিফোলিয়া), উহন পাম্বী (হিদনোকার্পস কুর্জি) অসিনচিংবনি। অদুবু অতোপ্পা পাউদম খরগী মতুং ইন্নদি হৈত্রোয় পাম্বী অসি সেলিকেসী (Salicaceae) শাগৈগী মনুংদা থম্মী অদুবু অয়াম্বনদি মদু শীজিন্নদে।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈত্রোয় পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, নেপাল, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং মালেসিয়াগী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। অদুম ওইনমক হৈত্রোয় পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা ওইনা পাউদম্লি। হৈতো পাম্বী অসি নোংপোক অমসুং খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদা পাক শন্না থান্নবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মতম অমদা হৈত্রোয় পাম্বী অসি তম্পাক্কী মফমশিংদা মরাং কায়না হৌজরম্লবসু ঙসিদি ইউ-উশিল্লক্ত্রে অমসুং য়োখৎপিবা য়াওদ্রবদি মতম খরগী মতুংদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবশিং লৈ। অদুম ওইনমক হৈত্রোয় পাম্বী অসি খা ভারতকী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা কেরলাদদি য়াম্না পাম্না থান্নবগী পাউদমশিং লৈ।

হৈত্রোয় হায়রিবা পাম্বী অসি মিটর ১০ ফাওবা ৱাংবা মনা খরা কেনগনবা, চাউবা য়াম্না তপ্পা উ পাম্বী অমনি। করিগুম্বা মতমদদি হৈত্রোয় পাম্বী অসি ইর্ভগ্রীন হায়বদি মতম পুম্নমক্তা শংদুনতা লৈ। হৈত্রোয় পাম্বী অসি নৌরিথৈঙে মতমদা তিংখং খরা পাল্লবসু লিশিল্লক্লবা মতমদদি তিংখং পান্দে। পাম্বী অসিগী লৈশিং অদু য়াম্না কুপ্পী অমসুং অঙৌবা নৎত্রগা চন্দোন মচু চংলপ তৌই অমসুং মনম য়াম্না নুংশি। হৈত্রোয় পাম্বীগী মহৈ অদু ইঞ্চি অমরোম চাউনা মতুম তায় অমসুং মদু হেক য়েংবদা কোফি পাম্বীগী মহৈ অদু মান্নবদগী



হৈত্রোয় পাম্বী অসিবু ইংলিসতা ইন্দিয়া কোফি প্লম হায়না কৌনৈ। মহৈদু নৌরিথৈঙেদা মচু অদু শংত্রীক শংজরবসু মুনশিল্লক্লবদি কোফি মচু ওইরকই। য়াম্না পূক্লিং চিংশিনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি হৈত্রোয় পাম্বী অসি লাবা অমসুং অমোমগী মথৌ ফজনা তৌবা কয়াৎশিং অদু তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংদা পাল্লি। মরম অদুনা পাম্বী অসিগী পোৎথোক ফজনা পুথোক্কে হায়রবদি লাবা অমসুং অমোম পাম্বীশিং অদু য়াম্না নক্লনা থাবিগদবনি হায়বগী ৱাফমশিং লৈ।

হৈত্রোয় পাম্বী অসি মীওইবনা কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা শীজি নৈ। হৈত্রোয় পাম্বীগী উগী মহূত (Grain) অসি য়াম্না কুপ্পা অমদি কল্লগা য়াঙবা মরম্না চৈশু (Walking stick) শাবদা য়াম্না খুদোং চাই। হৈত্রোয় পাম্বীগী উ অসি থাঙ-তেনগী মখোক পানবা, লৌ-ইংখোল খোইনবা লাঙ্গোল অমসুং ষনগাড়িগী কাংখোং শাবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না টামিল নাদু, কেরলা অমসুং কর্নাতাকাদদি হৈত্রোয় পাম্বীগী উ অসি মমল য়াম্না তাঙবা তীক (Teak) উগী মহুৎ শীন্দুনা অতাঙবা মখলগী উগী পোখোকশিং মরু ওইনা উপু, চৌক্রি, সোফা, টেবল অসিনচিংবশিং শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ।

চীঙ্গাক ওইনা হৈত্রোয় পাম্বী অসি অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লি। খা এসিয়াগী মফম কয়ামরুমদা হৈত্রোয় পাম্বীগী মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অদু এঞ্জাং ওইনা থোংদুনা চানৈ। শিন্তক তৌবা মহৈ অদু শা-ঙা থোংবদা হাপ্তুনা অহাওবা মহী ওইনা পাম্ন চান্নৈ। মফম খরদদি হৈত্রোয় পাম্বীগী মুন্দ্রিবা মহৈ অদু আচার (Pickle) শেম্বগী মথক্তা মহৈ অদু মশুং নাইনা শোইরগা থুম-মোরোক চাইশিন্দুনা কংহল্লগা কালেনথাগী মতমদা য়াম্না পাম্না চান্নবগী পাউদমশিং লৈ।

হৈত্রোয়গী অমুনবা মহৈ অসি শিন্তক-থুমতক য়াম্না হাওবা হৈ মখল অমনি। অমুনবা মহৈ অদু খুবাম অনীগী মরক্তা থল্লগা নোইদুনা থোৎতোকহল্লগদি শীনবগী চাং অদু হন্থহন্দুনা চাবদা থোইদোকপা মহাও পীবা ঙম্মী। হৈত্রোয়গী অমুনবা মহৈ অদু জাম (Jam) অমসুং জেলি (Jelly) শাবদসু শীজিন্নৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা হৈত্রোয় পাম্বীদগী শাবা অচা-অথকশিং মপান লৈবাক্তা থাদোকপদা কেরলানা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈ।

ময়াম্না থাজবিরম্লোই মদুদি হৈত্রোয় পাম্বীদা হীদাক লাংথক্কী ওইবা মগুনশিং থোইদোক্লা য়াওই হায়বসে। হৈত্রোয় পাম্বগী মশা পুম্নমক্তা তেনিন্স মখল কয়ামরুম য়াওই অমসুং মসি খোঙ হামথবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। হৈত্রোয় উগী মকু অদুগা হঙ্গাম মরূগা শুগাইরগা তকখায়দুনা শেম্বা মচল অদু পীজদুনা খোঙ হামথবা অমসুং ঈতোন ফায়বা অদু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। পুক য়েকপা অমদি নুংশিৎ কাবদা হৈত্রোয় পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। য়া চিকপা অমদি য়ারি য়াখোং চাথত্তুনা চীকপা-নামা তৌবদা হৈত্রোয় পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং উগী মকু অদু পুন্না শুগাইমিন্নরগা য়াখোংদা থোমদুনসু লায়েংনৈ। হায়রিবা অসিদা হৈত্রোয় পাম্বীগী উগী অনৌবা মকু অদু শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদুনসু নোংমদা ৩-৪ রক চীন তেংথোকপিবদসু থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৈত্রোয় পাম্বীগী উগী মকু অসিদা কোকফায়-শুজা অমসুং বেক্তিরিয়া হীংকুপ মখল কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই। হৈত্রোয় পাম্বীগী অকংবা মনাগী মকুপ অদুগা খোইহিগা তোৎলগা শেম্বা মচল অদু চাং নাইনা পীজদুনা লোক-লাইহৌ অসিসু লায়েংনৈ। ●

# লাই ওইবা ৱাংখৈ পম্বৌদি মহাক মশক তাকচবনি

- মোইরাংথেম ওংবী মীনা লৈমা -

কোরৌ থক্তা থোক্লিবা তাইবঙগী মীৎনা উরিবা নুমিৎতগীসু হেন্না ৱাংবা, ৱাংবদগী ৱাংবা ইপা সোরারেলগা পাঙ্খক ওইবা পম্বৌ ইপাগী মীনুংশি থৌজাল মীৎয়েংদগী পলেম ইমানা তাইবঙ মঙফাওনহন্দুনা পূম্নমক মালেম ইমাগী তম্পাক্তা হিংমিন্নরি, লৈমিন্নরি। মহৌশা লাইরেম্বী খূৎশেম তুংইন্না মীৎনা উরিবা, নাকোংনা তারিবা খোঞ্জেলদুগী থৱায় হকচাং খুদিং পূম্নমক খেন্নবা অমত্তা লৈতে, চপ মান্নে। তৌবতবু হিংননবগী থৱায় পাংখক ওইবা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচঙ ওইরিবা কোরৌ নুমিৎ মঙালদা অঙৈং-অশা খজিক ফাওবা মান্নবা ঙমদবগুম মীওইবা তাইবঙ খুদিংগী ৱাখল লৌশিংদা খেন্নবসু তঙাইফদবা মওইরি। হীরম অসোমগী মায়কৈদগী য়েংবদা ৱাংখৈ পম্বৌ লাই ওইবা তাইবঙ মীওইবা মরক্তগী মশামক মশক তাকচবা ঙমজবা থোইদোক হেন্দাকপা মীওইপোক অমনি। মীওইবা ওইনা পোক্লগসু মীওইবা খুদিং লাইনিংগী ৱাহন্থোক খঙদবনা অচুম্বা মশক খঙখিদ্রে, খঙদ্রে। লাই ওইবা পম্বৌদি লাইনীং মশানা মশক খঙজবনা লাই ওইবা তঙাইফদবনি। মশানা মশাবু মশক খঙজরবা মহাক অদুবু মীয়াম্না লাইনি খঙনদবা য়াররোইদবা অমা ওই। মসিমকনি লাই ওইবা পম্বৌগী পুন্সিনি। মহাক লাই নত্তে, তৌবতবু মশানা মশাবু মশক খঙলুবা হায়বদি মীওইবা ওইজরগসু অচুম্বা মশক খজিক খঙবা তাল্লুবদগী মীয়াম্না মহাকপু অশেংবা লাই ওইনা লৌজবনি। মশানা মশাবু ঐখোয় তাইবঙগী মীওইবগুম মশক ইশক খঙলমদ্রবা লাই ওইবা ৱাংখৈ পম্বৌ হায়না ঐখোয়গুম কনামতনা খঙনরম্লোই।

মশানা মশাবু মশক খঙজরুবগী মহয়না মীয়াম্না মহাকপু পম্বৌ মিংথোল পীবনি। মীয়াম্না মহাকপু লাই লইনা খঙনবীবনি। মহাক্তি করিমতা তৌজবা নৎচদে, করিমত্তা হায়জবা নৎচদে। মশাবু মশক খঙজৈ হায়বগী নুংগী ওইবা ৱাহৈশিং, ৱাফমশিং নৈনজরুবা অদুদা অতাবা মীয়াম, ৱাংউলোনশিং অদু খজিক পূক্লিং চিংশিল্লুবদগী মীয়াম্না মহাক্তবু ঙাওজবনি, পামজবনি। মীওইবা তাইবঙ মশানা মশাবু মশক খঙজরবা লাই ওইবা ৱাংখৈ পম্বৌ থক্তা অহিং অমম্বদা থোক্লিবা থাজগুম নিংথিরবনি, ফজরবনি। থাগী মঙালনা ঈং-চিক্লা ঙানবগুম মহাক মীওইবগী পুন্সি ওইরগদবনি। ঐখোয়দি ইশানা ইশাবু মশক খঙঙমদবদগী মীওইবনা অৱাবা চৈথেং ফংজবনি।

তশেংবসু, মীওইবগী পুন্সি অমা হায়বসি হিংলিথৈঙে মতমদা ইশামক ঐ, ইমা পলেম ওইবী অমসুং ইপা পম্বৌ ওইবা অহুম অসিগী থৌদোক ৱারীনি, লাই ওইনা পম্বৌনা তাকপীরি। অহুম অসিগী কুমহৈনি হায়নসু পনবিরি। ইশানা খঙজরিবা ইশক হায়বদি পলেম ইমাগী লাইনীং ইমাবু তাইবঙগী চিনবালদা তত্তনা শোল্লিবা, পম্বৌ ইপাগী লাইশোন নীংলিবা হায়বদি পম্বৌ ইপাবু কাউদ্রিবা মহাক অদুবু অচুম্বা মশক খজিক মশানা মশাবু মশক খঙলবনি। মসিমকনি চপ চানা লাইওইবা পম্বৌনা তাইবঙ মীওইবা খুদিংগী থম্মোয়দা ফাওহন্নবা হোৎনরিবসি।

ইশানা ইশাগী মশক-ইশক তাকচবা হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বী, মালেম ইমা কোরৌথক্কী পম্বৌ ইপাবু মশক খঙলবনি। মীওইবা তাইবঙ খুদিংনা অসুম্না পলেম মমাগী লাইনীংগী মীংখৈ শোল্লবা পম্বৌ ইপাগী লাইনীং নীংলবা অদুম তৌরবদি মশাবু মশক খঙলবনি, মশাবু মশক তাক্লবনি। মশাবু মশক খঙলবা অদুগুম্বা মীওইবা তাইবঙ অচুম্বা ৱা ঙাঙলগদবনি। অসিগুম্বা মীওইবশিংনা শেম্বা ওইবা কাঙলূপ/ফুরুপ মালেমগী লৈবাক কয়াগী মমাঙদা মশক থোক্লা মীংচৎ লৈনা হিংবা লৈমিন্নবা ঙম্লগদবনি। পূম্নমক অসিনা মীওইবা কৌবা ঐখোয়না মশক ইশক খঙনা লৈবগী হিংমিন্নবগী তঙাইফদবা অদুনি।

লাই ওইবা পম্বৌনা মীওইবা অমবু মশক ইশক তাকপা হায়বসিগী মরমদা ফোঙদোক্লিবসিগী ৱাংউলোন থোইদোক্লা ফজবরা খঞ্জে। মীওইবগী হিংলিথৈঙে পুন্সি লাই ওইবা পম্বৌনা অসুম্না নৈনবীরি মদুদি পলেম ইমা, পম্বৌ ইপা অমদি হিংলিবা মহাক্কী কুমহৈনি। অহুম অসিনা ওইবা পুন্সি কুমহৈ অদুনা কাঙলূপ/ফুরুপ মশক তাকই। মীওইবা তাইবঙ ওইনা পোক্লম্বগী মনুংদা মসিগী তাইবঙ কুমহৈ হায়রিবসিদা পীরিবা ইথিল মীওইবশিংদা পীরিবা মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংগী লাইনিংগী ৱাহন্থোক লৈরিবশিংগী মনুংদা, খ্বাইদগী ৱাংবশিংগী মনুংদা লাইওইবা পম্বৌগী ৱাখল্লোন অসিসু অমনি হায়বদা থোইদোক্লা হেঞ্জিন্না ইবা ওইরোইদ্রা খঞ্জে।

অহুম অসিগী মরী লৈনবা নত্তনা তাইবঙ মীওইবা অমগী মশাগী নৎত্রগা মহাক্কী ফুরুপ/কাঙলূপকী মশক তাক্লনবগী লম্বী অতৈ অতোপ্পা পাম্বে লৈররোইদবনি। মশীং থিঙমদবা ফুরুপ লৈরিবশিং হায়বদি মীওইবা, মমা অমসুং মপা অহুমসিগী তাইবঙ কুম্মেনা মহাক কনা ওইরিদগে হায়বদু অসুম্না খঙনগদৌরিবনি। অহুম অসিগী তাইবঙ কুম্মেবু খঙলবা মীওইবদা মীনুংশি পোকপগী থম্মোয়গী ইহুল লৈগনি, চেনগনি।

অচুম্বা হায়বা অদুখক্তগী থবক তৌননবা হোৎনগনি। অসুম্না মশক তাক্লবগী তাইবঙ কুম্মে অসিদা শরুক য়ারম্নবগী থৌদাং হিংলিথৈঙে মতমদা লৌরম্বা অদুগী ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈশেম্লোন লাইনীংগী পরিং নাইনা চথরকপা মশক ইশক তাক্লবা য়ুম্লাক, য়েক সলাই অমদি মিংলেন লৈফমচিংবা ইরিবসি ঐখোয়গী মহাক-নহাক পুয়াগী মনুংদা চম্লবনি। অসুম্না লাই ওইবা পম্বৌনা তাকপীরি। মসি মীওইবা তাইবঙনা হিংলিথৈঙে মতদা য়াম্না পাম্নরিবা তরেৎকী শক্তম অদুমক্তি ওইদে, ওইদ্রে। মসি ঙসি ঙসিমক্কী কান্নদে হায়না খল্লগসু মতম খরা লৈরগা নৎত্রগা চহী খরা লৈরগদি লাই ওইবা পম্বৌ মাগী লাইপুঙগী ৱারী চৎন-লিচৎ থকসি-খাসি খঙবশিংগী মনুং চন্না য়াওরবনি। নমু-তাইবঙ ওইবশিংগী শক্তম ময়েক মুৎলরোই, খোঞ্জেল মাঙলরোই। ইরোলনুংদগী ফংবা মনিগুম তরং-তরংগদবনি। অমোৎ অকায় মরক্তা লৈরগসু মনি মুক্তা, সনা অশেংবা মচুগুম মতম খুদিং হিংলিথৈঙে মশক থোক্লা হিংলম্বগী পাঙ্গল থৌনা লৈরগদবনি, ফংলগদবনি।

মতৌ অসুম্না মশানা মশাবু মশক ইশক খঙজবা অমদি মদুগী কাঙলূপ ফুরুপ মনুং চল্লিবা অদু করম্না মালেম অসিদা হায়বদা মহাক নৎত্রগা কাঙলূপ ফুরুপ অদুনা চোংথোরক্কদৌরিবা অসি মীতৈ/মৈতৈশিং ওইননি। মখোয় অসি অসিগুম্বা লাইনীংগী শকচ শোঞ্জবা, নীংজবা হায়বদুনি হায়বসি মসিনা মশক তাক্কদৌরিবনি। ইশাবু মশক ইশক তাকপদা লৌশিংগী মঙাল ফংগদৌরিবনি। মশক ইশক অদুনা মীওইবগী লন-থুম হায়বদু ওইগদৌরিবনি, ওইরবনি। ৱাফম অসি মৈতৌ/মীতৈ খক্তগী নত্তে। মালেম অসিদা লৈবিরিবা মীওইবা খুদিংমক্না মনুং চল্লিবা কাঙলূপ ফুরুপ অদুদা তঙাইফদে। অসুম্না মহৌশা লাইরেম্বীনা তম্বীরম্বা খুদোলবু মীওইবা তাইবঙ ঐখোয়না ঙাক্লা, ইন্না চৎচদুনা ঐখোয়-নখোয়গী, ঐখোয়-ঐখোয়গী মশক-ইশক তাকচদুনা লাইনীংগী পাউতাকপু ইঙদুনা নুংশি চান্নানা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নসি। মালেম ইমানা য়াইফরে, পোক্লফম ইমানা মহেল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা ‘পার্ট সি ষ্টেট’ অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। ‘‘মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।’’ ৱাফমসি ‘পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম’ হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। ‘‘ঐগী মম্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।’’ পরেং অসিনা ‘অতিথি অমগী অহিং’ কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। ‘‘চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।’’ পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। ‘‘নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।’’ পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগে মরী লৈনদে।